**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-05-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** লমশাং কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা অখাম ব্রিজ, সলাম ব্রিজ অমদি মাকলং ব্রিজ ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মীয়ামদা খুৎশিন্নরগনি।

রাজ্যগী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থোং মীয়ামদা শিন্নবগী থৌরম অদুদা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. সোরোকখাইবম রাজেনসু শরুক য়াগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপুরদা আইননা য়াদবা মওংদা খুৎশু খুৎলায় পুদুনা চৎপা থেংনরবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা পাউ পীবিনবা মনিপুর পুলিসনা আপিল তৌরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-লমদম অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা শান্তি হনজিল্লকবা, মীয়ামগী লন-থুম ঙাকবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবীবগী তঙাইফদবা লৈ। মখা তানা পামদবা থৌদোক থোকপা থিংনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা পাক শন্না থিবা হুন্সবগী থবক চথুরি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ থন্না য়াওরবা গাড়ি ৩২৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুথোরকখ্রে। লম্বী অসিদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা থবক লৌখৎলি। রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেক পোইন্ট ১১২ হাংদোক্কুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথুরি।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেসকী লক্ষনৌদা হন্দক্তা লোয়শিনখিবা অনিশুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস বেদমিন্টন ক্লস্তরদা শরুক য়ারুবা মনিপুর পুলিসকী ওফিসারশিং

অমসুং পার্সোনেলশিংবু দি.জি.পিনা হৱাউ তয়ামা ওকখ্রে। মনিপুর পুলিসকী টেবল টেনিস অমসুং বেদমিন্টন টিমনা নুপা অমসুং নুপীগী তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা পুন্না তকমান ৩২ ফংলকখি।

মনিপুর পলিসকী টেবল টেনিস টিমনা নুপা অমসুং নুপীগী ইভেন্টশিংদা ফার্ষ্ট রন্নরস অপ তাখি।

**বিষ্ণুপুর(এল)ঃ** ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) নীংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক নেসনেল অমসুং ষ্টেটকী রাজনিতি দলশিংগী ওইবা জিলা থাক্কী মীফম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-বিষ্ণুপুরনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ইলেক্সন দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ইলেক্সন কম্মিসনগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এস.আই.আরশিং ইলেক্সন কম্মিসননা পীবা নিতি নিয়মগী মখাদা নীংথিনা পাঙথোকপা য়ানবা ৱাফম কয়া তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী মীহুৎশিংগী পুন্না খন্নখি। এস.আই.আরগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা তোঙান তোঙানবা ত্রেন্নিং অমদি ৱার্কশোপশিংদা বিষ্ণুপুর জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র তরুক্কী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী বুথ লেবেল এসিষ্টেন্ট (বি.এল.এ) শিংনা শুংশোই শোয়দনা শরুক য়াবীনবা হায়রি।

**বোক্সিং (এল)ঃ** রাজস্থানগী জয়পুরদা থা অসিগী ১৫ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৱাকো ইন্দিয়া নেসনেল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী জ্নিয়ার অমসুং সেনিয়ার কিক বোক্সরশিংনা টিম চেম্পিয়ন ওইরক্লে।

চেম্পিয়নসিপ অদুদা মনিপুরনা সনাগী তকমান ১৪, লুপাগী ৩ অমসুং শেঞ্জেংগী তরেৎ পুন্না তকমান ২৪ লৌরকখি।

**ওইলঃ** লৈবাক অসিদা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎলমশিং ফংলোই হায়বগী মীপায়নিংঙাই লৈতে। ওইল পম্পশিংদা থাউ মরাং কায়না ফংহল্লি হায়না ইন্দিয়ান ওইল কোরপোরেসন লিমিটেদনা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হন্দিয়ান ওইল কোরপোরেসন লিমিটেদনা হায়-ওইল পম্পশিংদা থাউ পীবগী থবক হান্নগুম মখা চত্থরি। চাং ককথরগা পীবগী ৱাফম লৈতে। হন্দক থাউ ফংনদবগী অৱাবা খরা লৈখিবা অদু লৌউ শিংউগী মতম ওইবনা দিজল থাউ হেন্না শিজিন্নরকপদগীনি। মীয়ামনা থাউ ফংলরোই হায়বগী ৱাখল্লোন্দদা দরকার লৈবা চাংদগী হেন্না থাউ লৈশিনবীগনু। মীয়ামগী দরকার লৈবা থাউগী চাং অদুম্মক ৱাৎতনা পীগনি হায়নসু ইন্দিয়ান ওইল কোরপোরেসন লিমিটেদনা ফোংদোক্লি।

**কোলকাতা ঃ** আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালদা নুপী মহৈরোই অমা ইজৎ মাঙহল্লবা মতুংদা হাৎখিবগী ৱাথোক নীংথিনা থিগৎনবা কলকাতা হায় কোর্টনা স্পিসিএল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেমলে।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন ইষ্টর্ন জোনগী জোইন্ট দিরেক্তরনা লুচিংবা মীওই অহুমনা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা থৌদোক অদু নীংথিনা থিগৎলগনি। মসিগা রিপোর্ট মথং থাগী ২৫ ফাওবদা পীখৎলকবা কোর্টনা খঙহনখ্রে। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থৌদোক অদু নীংথিনা থিগৎপীনবা কয়ারক হন্না হায়জরকপদগী কোর্টনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অচুম্বা লংলা লংজিল কয়া নমশিনদুনা অমদি নাথৈদুনা থম্বীরে হায়না লৈখিদ্রবী মৈরোই অদুগী ইমুং মনুংশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি।

**ইন্দিয়া-ইজিপ ঃ** ভারত অমসুং ইজিপ লৈবাক অনিনা টেরোরিজম থেংনবদা তেংবাং পীননবা অমত্ত ওইনা ৱারেপ লৌমীন্নখ্রে।

টেরোরিজম থেংননবগী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা জোইন্ট

ৱার্কিং গ্রুপকী মঙাশুবা মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। হৌখিবা চহিগী এপ্রিল থাদা জম্মু কাশ্মিরগী পহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা চথরকখিবা এট্রেক্তা মীওই কয়া শিহনখিবগী থৌদোক অদুবু লৈবাক অনিনা কন্না নিন্দা তৌখি। টেরোরিজম থেংনবদা ভারতনা লৌখৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা ইজিপনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি। লৈবাক অনিনা টেরোরিজম থেংনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা তেংবাং পীননবগী ৱাফমসু মীফম অদুদা কুপা খন্নখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মনিপুরদা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিং অয়াম্বদা সেক্যুরিতি ফোর্সেসশিংনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউনা ফোংনরি।

পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী কেম্পতগী মশিং য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎখ্রে, কাদর মরিসু ফারে হায়বা পাউনা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী চীং অমসুং তমদা লোনা য়াদবশিংগী মথক্তা সেক্যুরিতিনা উকায় তক্কদৌরিব্রা, ইষ্টর্ন কম্মান্দগী জি.ও.সি-ইন-সিনা গভর্ণরগা উন্নখ্রে, লমদেংদগী খুৎশু খুৎলায়শিং অমসুং কাদর মরি ফাগৎখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, মনিপুর মেল, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ফাজিনখিবা নাগা তরুক থাদোকবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তরদা চে পীশিনখ্রে।

কিমগী সটদাউন পুং ৪৮ অমুক শাংথখ্রে হায়বা পাউনা সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন

তৌরি। পাউ অসি মনিপুর মেলদসু তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপুরদা টেরোরিজমগী থবকশিং লেপতনা চখরি, সেন্টরনা উশিন্নদ্রিবসি অয়াবা পীরব্রা হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগাগী মীওই তরুক ফাজিনখিবা অদুগী মতাংদা কিমনা অরানবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্তুনা লৈরে হায়না অন্সমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফাজিনখিবা নাগা মীওইশিং অথুবা মতমদা থাদোরকবা দাবী তকশিনদুনা ঙরাং তমেংলোংদা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ, গানফিয়ু মেলদা অহানবা হেদলাহ তৌরি। লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউ চে অসিগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।